## নোটিস ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): চেঙ লেম্না য়েনবদগী থোরক্লিবা ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা ৱাহেংবম জয়কুমারনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরক্লিবা পি আই এল নম্বর ৩২ ওফ ২০২১ ঙসি হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা পিটিস্নর কাউন্সেল মৈহৌবম রাকেশকী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা রেস্পোন্দেন্ট অহুম্মক্তা মথং থাগী ১৪ ফাওবদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 88.818918 |
| US Dollar | 73.318839 |
| British Pound | 103.097949 |
| Australian Dollar | 56.438001 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.454529 |
| Japanese Yen | 0.666081 |
| Malaysian Ringgit | 17.808429 |
| Singapore Dollar | 55.258698 |
| South Korean Won | 0.065583 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.551690 |
| Thai Baht | 2.354167 |

### Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47320.00 |
| Mumbai | – | Rs | 47165.00 |
| Delhi | – | Rs | 47165.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47960.00 |


## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**Booking up-to 05/05/21**
Valid from 29/04/21
Home delivery only...
Contact no. 9089709738, 8794622868
Office timing 8.00AM to 11AM. will be delivery for 3days

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 04/05/21**
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**HARAN VALLEY INDANE GRAMIN VITRAK, KWAKTA**
**Booking Up to: 10/06/2021**
Valid from: 19/05/2021
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 10:30am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking Upto 14.2kg-19/06/2021**
Valid from-03/05/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 22-04-21**
Valid from 19-04-21
Only home delivery within 3 days
Office no. 9774068549
Home delivery contact no. 7005013837
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking upto : 22/05/2021**
Valid from : 30/04/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
Delivery time will take 4 days

**M/s K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
Call Timing: 8 AM To 12 PM
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9774213728, 9862791279, 9366727636, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728 *
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/ 8258856407, 7005588556, 9089542175
*KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
OTHER AREA 7085175483
Enquiry no. 9856134465.
**Booking upto 05/06/2021**
Valid from 05/05/2021

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING upto 15-04-2021,**
VALID FROM 04-04-2021,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM


## লৈখিদ্রবা সী এম আর কে জয়চন্দ্রগী কুমওনদা পেসেন্টশিংদা চাক্লেন পীজখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা আর কে জয়চন্দ্র লৈখিদবগী ২৭লক শুরকপা নীংশিং কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লম্বোইখোংনাংখোঙ, আর দি ৱিং অমসুং বাল ভবনগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওই ৯০০দা নুমিদাংগী চাক্লেন পীজখ্রে হায়রি।

চাক্লেনশিং অদু লৈখিদ্রবগী লোয়নবী অমসুং মচানুপা আর কে ইমো, এম এল এনা সাইক্লিং ফোর হ্যুমেনিটি টিমদা খুৎশিন্নদুনা পীজখিবনি হায়রি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা তেরাগী চিলদ্রেন হোম, কোইরেঙ্গৈগী পোইরৈ নাৱাকোন অমসুং থাংমৈবন্দগী পুন্য নাৱা য়াইফকোনগী অঙাংশিং অমসুং ষ্টাফশিংবুসু নোংমগী হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং খুদোল তমখি হায়রি।

কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম এল এ আর কে ইমোনা লৈখিদ্রবা মহাক্কী অপোকপা অসি মশাগী চহী ৪৩ শুরকপদা য়াম্না নহা ওইনা মণিপুরগী অহানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইখিবনি। লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধীগী লীচিং মখাদা কুমজা ১৯৮৫দগী ১৯৮৮ ফাওবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর য়ুথ এফেযর্স এন্দ স্পোর্টস ওইরম্লবা মতুংদা কেমিকেল্স এন্দ পেট্রোকেমিকেল্সকী থৌরম পুবা মিনিষ্টরসু ওইরমখি। মসিগী মতুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদসু ষ্টেট অসিগী স্পোর্টস শৌগৎতুনা স্পোর্টস ওফোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা অচৌবা মতেং পাংখি। চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মণিপুরগী লেন্দ রেভিন্যু অমসুং রিফোর্মস এক্ট এমেন্দমেন্ট তৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বগা লোয়ননা মহাক মশাগী চহী ৫৩ শুরকপদা মশাগী অনাবা অমদগী চেন্নাইগী এপোলো হোস্পিটালদা লৈখিদবনি হায়খি।

## চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরিবা মহাকসু কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইখিদব্রা হায়বা ৱাফমসু থম্লদুনা মতম অদুদা মহাক কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইরম্বদা নত্তনা কোংগ্রেস লৈঙাক অদুগী ৱাঙাঙলোয় অমসু ওইরমখিবনি। কুমজা ২০০৭তগী ২০১২ ফাওবগী টার্ম মপুঙ ফানা মিনিষ্টর ওইখিবনি। মতমদুদা মহাক্না ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক করিমত্তা তৌরমদব্রা হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি। লোয়ননা, কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্লরিঙৈসিদা পোলিটিক্সতা বি জে পি লৈঙাক অসিনা দবল ষ্টেন্দর্দ তৌদুনা পেট্রোলদা টেক্স কা হেন্না লৌরগা কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্লবগীদমক মীয়ামগীদি করিমত্তা তৌদে হায়রি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী মায়কৈদগী ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক অসিদা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিং হংলক্লি। কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক অসিদা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা লুপা ক্রোর কয়া পীরবগে। মীয়ামগীদমক ইকোনোমিক পেকেজ লাউথোক্লব্রা। মীয়ামগীদমক করিমত্তা তৌদনা পেন্দমিক মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক কুমজা ২০২০-২০২১ অসিদা মীয়ামগী ফুরিৎখাউদগী পেট্রোলগীদমক লুপা ক্রোর ১৬৭ খোমগৎখ্রিবা করিগীনো। হৌখিবা কুমজা ২০১৭দগী হৌজিকফাওবদা পিপল্স সেন্ট্রিক গভর্ণমেন্ট লুচিংলিবনি হায়রগা পেট্রোলগী মমলদা পৈশা অমা ফাওবা হস্থহনবা ঙম্লব্রা হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি।

কোভিদ পেন্দমিককী ফার্ষ্ট ৱেভ মনুংদা তৌখিবা এক্সপেন্দিচরশিংগা মরী লৈননা শেলশিং দোনেট তৌনরকখিবা অমসুং শীজিন্নখিবগী মতাংদা করম্বা মতমদা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা বেলেন্স শিটশিংগী মতাংদা হ্বাইট পেপর পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলদুনা তোঙান তোঙানবা চার্জ কয়া তৌরক্লি।

লোয়ননা, মণিপুরগী লায়রবা মীয়ামগী মথৌ তাবশিং খঙবদি কোংগ্রেস পার্টিখক্তনি হায়বগা লোয়ননা মীয়াম্না বি জে পিগী লৈঙাক অসিদা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং তানগদবনি। কোংগ্রেস পার্টিনা মীয়ামগী হক্কীদমক লেপকনি। অদুগা লায়রবা মীয়ামদা চথুরকপা অরানবা থৌওং পুম্নমক খুৎশম্নদুনা মায়োক্লমিন্নগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি

## লোইতাং খুল্লেনদদি টৌটি ঈশিংসু...

*লামায় ১গী মখা...* ইন্টর ভিলেজ রোদ (আই ভী আর) অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ফিভম ফত্তনা লৈরকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হৌখিবা মার্চ থাদা লম্বী অসিবু শেমজিল্লগনি হায়দুনা নুঙ থাদুনা পক্কা লৌখ্রে। অদুবু মদুগী মতুংদগীদি কোইলাস থারমদনা লেপথোকখিবদগী ঙসিদি পক্কা লৌরম্লবা নুঙশিং পাইথোকখিদুনা লম্বী অসিদা কোম কয়া লৈরে। চখোক চৎশিন তৌবদসু খুদোং থীনিংঙাই ওইহল্লে। লম্বী ময়ায়দা লৈরকপা কোমশিংদা নোং তাশিল্লকপদগী ঈশিং থূমজিন্দুনা লৈরকপসু য়াওরে হায়রি।

খুল অসিগী মীওই অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, লোইতাং খুল্লেন অসি অতোপ্পা খুলশিংগা য়েংনরুবদা হেল্থ ক্যের সেক্টরদসু খ্বাইদগী শোথবা মফম অমা ওইরে। খুল অসিদগী খ্বাইদগী নকপা লায়েংশঙ অসি খুরখুলদা লৈ। মফম অদুগী প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর (পি ঐচ সী) অদু তান্না চৎপদা কিলোমিটর ৫/৬কী লম্বীনি। অদুবু য়াম্না লাপ্পা মফম ওইদ্রবসু পি ঐচ সী অদু চৎনবগী লম্বীদা লৈরিবা আই ভী আরগী ফিভমশিং ফত্তবদগী লোইতাং খুল্লেনগী মীয়াম্না লম্বী অফবা থিদুনা অনা-লায়েংগী মথৌ তারকপদা সেকমাই তান্না চৎতুনা মফম অদুগী কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা লায়েংলক্লি। খরা লুবা অনাবা ওইরগনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) নৎত্রগা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তান্না চৎতুনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরক্লি হায়রি।

খুল অসিগী খুঞ্জাশিংগী হেল্থ সেক্টরদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসিগী মথক্তা খুল অসিগী মীয়াম্না হিংনবগী পুন্সিদা মতেং ওইনবগীদমক য়োক্লরিবা শা-ষন, ওক-য়েন অমদি ঙানুনচিংবশিংসু খুল অসিদা নৎত্রগা মসিগী নক্লবদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী মখাদা ভেটিরিনরি দিস্পেন্সরি অমত্তা লৈতবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি।

খুল অসিদা ওক লোইবগী শিনফম পায়রিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, মমাঙদা লাইচৎ অমনা ওক ময়াম পাক্কন্না শিরকপদা মদুদগী কন্ননবা অমসুং লাইচৎ অদুদগী ঙাকথোক্লবগী থবক পায়খৎপিনবা লৈখিদে। অতোপ্পা পাম্বে অমা লৈরক্তবদগী ইম্ফালদা লাক্তুনা ভেটিরিনরি লোয়শঙগী দিরেক্টর মশাদা ৱাকৎলবা মতমদতা মহাক্কী মীওইশিং থাবীরক্তুনা লায়েংবগী থবক চথখি হায়রি।

অমরোমদা, লোইতাং খুল্লেনগী খুঞ্জাশিংগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা মীওইশিংগী মশিং য়াম্না য়ামদে। নুপা অয়াম্বনা লৌউ-শিংউ তৌবা, য়ূম-কৈ শাবা চৎপা অমদি চেক শূবনচিংবা নোংমগী খুৎশুমল ফংগদবা থবকশিং তৌই। অদুগা নুপী ওইবীশিংনা ষ্টোন ক্রসরশিংদা থবক শূবা নৎত্রগা সেকমাই তুরেল তান্না চত্তুনা তুরেল খোঙনুংদগী নুঙ লৈঙোই পেকপনা নোংমদা লুপা ৩০০দগী ৫০০ ফাওবা তান্দুনা ইমুং মনুং পুরি। অমদি মচা মশূশিং লাইরিক লাইশু তমহন্দুনা মী ওইনবা হোৎনরি।

অদুমওইনমক, ইম্ফাল সিটিদগী য়াম্না লাপ্পসু ওইদবগী মথক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা খুল অসিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা লম্বী থোং ফত্তবা, টৌটি ঈশিং মশক উদবা, খুঞ্জাশিংগী হেল্থ সেক্টরদা অহোবশিং লৈবা অমদি মখোয়না য়োক্লিবা শা-ষন, য়েন-ঙানু অমদি ওক্লচিংবদা লাইচৎ শন্দোরক্লগসু মতম চানা য়েংশিনবিদুনা লায়েংনবা হোৎনবিনবা লৈত্রিবা ময়াম অসি মরী লৈনরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোক্লরকখি।

## য়ুনাইটেদ মৈতৈ সোসাইটি, আসামনা তেংবাংলি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০১৬তা দেল্লীদা লিংখৎখিবা য়ুনাইটেদ মৈতৈ সোসাইটি ওফ আসামনা আসাম অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী মৈতৈশিংখক্তা নত্তনা সোসাইটি অসিগী মায়কৈদগী তেংবাং মথৌ তাবা মীওইশিংদা অঙন্বা মতেংশিং লেপ্তুনা পাংদুনা লাক্লি হায়রি।



ৱাফম অসি সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট মুতুম রোপেননা ফোঙদোরকপনি। মহাক্না হায়, সোসাইটি অসিনা মৈতৈ ফুরুপপু চাওখৎহন্নবগীদমক লিটরেচর, সোসিও-কলচরেল, হেল্থ, এদ্যুকেসন, ৱুমেন এমপাৱরমেন্ট, স্কিল দিভেলপমেন্টতা অঙম্বা মতেং পাংলকপগী মথক্তা করিয়র কাউন্সেলিংগী থবকশিংসু পাঙথোরক্লি। থবকশিং অসি পাঙথোরকপগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী মীয়াম্বু অমত্তা ওইনা পূনশিনহনবগা লোয়ননা মীয়াম্না শকখঙবিনবসু হোৎনরক্লি হায়রি।

সোসাইটি অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা মৈতৈ ফুরুপকী ফজখ্রবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। ময়ূম-মকৈ লৈজদবা অমসুং লৈত-লায়রা মায়োক্লরিবা মীওইশিংদা অঙম্বা তেংবাং পীদুনা লাক্লি। চহী খুদিংগী দিসেম্বর ২৫দা নিংথম ফিরোল খুদোল তল্লি হায়রি। লায়েংবা লাকপা অমদি কেন্সর লায়নানা নাবদগী লায়েংলিবা মীওইশিংবুসু অঙম্বা মতেং পাংলি। গুরগাউনদা থবক শূদুনা লৈরকপা নহা অমনা লৈখিদবদা মহাক্কী হকচাং পোৎলোইনবগী খুদোংচাবা ফাওবা লৈরক্তবা ফিভম অদুগী য়েংলগা সোসাইটিগী মায়কৈদগী লাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। মহাক্না হুন্দোক্লম্লবী পীক্লিবী মচানুপীগীদমক্তসু শুকন্যা সম্রিধী একাউন্ট হাংদোক্তুনা মতেং পাংখি। হৌজিক মায়োক্লরিবা পেন্দমিক অসিগী চৈথেং ফংলিবশিংদসু য়ুমথোঙ খুদিংদা চেঙ হৱাই য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মতেং পাংলি। প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখ্রে। মসিগী মথক্তা সোসাইটিগী মায়কৈদগী ঈ কৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চখুরি। সিলচরগী মোধুতিলা রেপ কেসকী মতাংদসু সোসাইটিগী মায়কৈদগী ভিক্তিম মশাদগী অশেংবা ৱারোল ফংনবগীদমক তকশিল্লি হায়বগা লোয়ননা মৈতৈ ফুরুপপু চাওখৎহন্নবগীদমক অতোপ্পা লূপ কয়াগসু খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## পি এম এ জি ৱাইগী শেল লান্না...

*লামায় ১গী মখা...* ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, আর দি এন্দ পি আরগী কম্মিস্নর, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর/দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্টর, থাঙ্গ পার্ট-১ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান, জি পি অসিগী ৱার্দ নম্বর এ, বি অমসুং সীগী মেম্বরশিংনি।

পি আই এল অসি কোর্টনা পি আই এল নম্বর ৩১ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎলগা ঙসি চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখ্রে। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল মুর্টাজা অহম্মদকী সবমিসন তারবা মতুংদা কোর্টনা মথং থাগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

## জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা মণিপুরগী য়ুরিয়া...

*লামায় ১গী মখা...* ফংহনগদবনি। মসিগীদমক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ফর্টিলাইজর ফেক্টরিশিংদগী হার লৈবা অমসুং ইম্ফাল তম্না চিংলকপদা চঙ্গদবা এক্সপেন্দিচরশিং মায়োক্লনবগীদমক য়াম্লবা শেনফমশিং সবসিদি ওইনা চহী খুদিংগী পীদুনা লাক্লিবনি। মসিগী মতুং ইন্দুনা হন্দক চহীগীসু পীরিবনি। অদুবু মতম খরগী মমাঙদদি হারশিং অসি প্রাইভেট দিলরশিংনসু চিংশিল্লম্বদু হন্দক্তি ফর্টিলাইজরশিংগী মায়কৈদগীসু কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্লরকপা মরম্না লন্নাই দিলরশিংদা হার পীররোই হায়রকপদগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা এপ্রূভ তৌবা ট্রান্সপোর্টর খরখক্না চিংহন্নবগী থৌরাং তৌরক্লিবনি। অদুনা গোদাউনদা থম্লবা ফাওবদা লৈমায়গা শম্নবা য়াদবা, লৈমায়দগী ৱাংখৎহল্লগা থম্ফম থোকপা অমসুং গোদাউন মনুংদা থম্লবসু চেকশিন্না কূপশিল্লগা থমগদবা হারশিং অসি জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনগী নোংলক্তা পৈদুনা থমজিল্লিবা অসিগী থৌদাং ট্রান্সপোর্টরশিংনা পুগদবনি হায়রি। ষ্টেট অসিগী ওইনা লৌমীশিংনা হৌজিক দিমান্দ তৌবা হৌনরকপদগী চিংশিল্লকফম থোকপা হারশিং অসি য়ৌশিল্লক্তবনা হৌজিক ইম্ফাল অমসুং অতোপ্পা মফমশিংদগী লৌমীশিংনা য়ুরিয়া বেগ অমদা লুপা ২৮৬.৮০দা ফংজগদবদু লুপা ৬৫০দগীনা ৭০০ ফাওবগী মনুংদা পীদুনা লৈনরে হায়নসু লৌমীশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

লোয়ননা, হৌজিক ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লরি অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈরি হায়দুনা মমল য়াম্লবা অমসুং মতম চানা শীজিন্নহৌগদবা হারশিং অসি নোংখাঙ চায়দুনা মাঙখ্রগদি মেন্যুফেকচররশিংনসু অহেনবা ক্বোটা মণিপুরগী ওইনা পীরকউ হায়বা য়ারোই। অদুগা শীজিন্নফম থোকপা হারশিং অসি শীজিন্নদবদগী চাথোক হন্থরক্লগনা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিদা অমুক্কা হেন্না শোকচিনহনগনি হায়বা ৱাফমসু লৌমীশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোক্লরক্লি।

## পোজিটিভ কেস ৭৮৫ থেংনখি, মীওই ৮ লৈখিদে...

*লামায় ১গী মখা...* অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লৈখিদবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিংনা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথ্স ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ৮নি হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ৪, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, ককচিংদগী ১, কাংপোকপীদগী ১, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতকী মীওই ১ অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অমনি হায়রি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা ঙসিগী মীওই ৮ অসি থারগা হৌজিকফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শিখিবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিং ৯৯৮ শুরে হায়রি। অদুবু ঙসিগী ওইনা মীওই ৪৭৬ লায়না অসিদগী নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৩০৯না হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকপা মীওইশিংনি। মীওই ৩০না রিমসতগী দিসচার্জ তৌরক্লগা অতৈ মীওইশিংনা জেনিমস অমসুং অতোপ্পা কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়রি। লোয়ননা, ঙসি ফাওবদা লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিং ৬১,০৯৬ শুরে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী মীওই ৫৭,৩০৬নি। অদুগা সেন্ট্রেল সিক্যুটিরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৩,৭৯০নি। ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিংনা ৫১,৩৫৪নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশিংনা ৪৭,৫৯৩ ওইরগা সেন্ট্রেল সিক্যুটিরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংনা ৩,৭৬১ ওইরি। অদুগা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস মশিংনা ৮,৭৪৪ শুরে হায়রি। লৈরিবা এক্টিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা সেন্ট্রেল সিক্যুটিরিটি পর্সনেলশিংগী মশিংদি শুপ্নতগী ২৪খক্তনি। লেমহৌরিবশিংনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওইশিং ঙাক্তনি হায়রি।

ঙরাংদগী ঙসিনা অমুক্কা হেন্না পোজিটিভ কেস মশিং য়াম্না থেংনবনা মরম ওইরদুনা ঙরাং ফাওবদা লায়না অসিদগী ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী অপুনবা মশিংগী চাং চাদা ৮৪.৩৫ ওইখিবদা ঙসিদি ৮৪.০৫দা হন্থরক্লে হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেং অসিবু মায়োক্লদুনা মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা ঙসিসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা দি-টাইপ ওক্সিসেন সিলিন্দর ১৬২১ অমসুং বি-টাইপ ওক্সিজেন সিলিন্দর ৪৪১গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি। অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ ইনষ্টিট্যুসনশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন থন্না য়াওরবা সিলিন্দরশিংগী মশিংনা দি-টাইপকী ৩৬৯ অমসুং বি-টাইপকী ৭৬নি। মসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা দি-টাইপ ৬৫, বি-টাইপ ২, চান্দেলদা দি-টাইপ ৩১, বি-টাইপ ৭, চুরাচান্দপুরদা দি-টাইপ ৭১, সেনাপতিদা দি-টাইপ ৩২, থৌবালদা দি-টাইপ ৬৮, বি-টাইপ ১৯, উখ্রুলদা দি-টাইপ ২২, বি-টাইপ ৫, তমেংলোংদা দি-টাইপ ৩৭, বি-টাইপ ১৭, মোরেদা দি-টাইপ ২৩, বি-টাইপ ৫, কামজোংদা দি-টাইপ ৩, বি-টাইপ ১, কাংপোকপীদা দি-টাইপ ৪, ককচিংদা দি-টাইপ ৫, বি-টাইপ ১১, নোনেদা দি-টাইপ ২, অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতনা দি-টাইপ ৬ অমদি বি-টাইপ ২গী খুদোংচাবা ফংহনখি হায়রি। লোয়ননা, ঙসি ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিনেসন তৌখিবা অপুনবা মীওইশিংগী মশিং ৪,৭২,৮৫৭ শুরে হায়রি।

## ডা. দেবেননা চান থক্লবা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস): ৱাবগাই এ সীগী এম এল এসু ওইরম্বা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ ডা. উসম দেবেননা ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর থ্রীদা লৈবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং ফংদুনা কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈরিবা ইমুং অমদি শেল থুমগী ফীভম ফত্তবা ইমুং কয়াদা চেঙ অচাথাও, আলু, তিলহৌ, চিনি, চামনানচিংবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবগা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ ডা. উসম দেবেননা হায়খি, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ৱাবগাই এ সীদা লৈরিবা ইমুংশিংদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকচবনি। ঙসিনা ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর থ্রীদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সতা খূৎশিন্নবনি। ঙসিগী ওইনা কৈরক ফৌসুপাৎ লৈকায় অমদি ৱাবগাইনচিংবা মফমশিংদসু তেংবাঙ অসি য়েন্থোক্কনি। মখা তানসু কোভিদন শোকহল্লবশিংদসু মতেং পাংখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ইমুং ২৫ রোমদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১গী মনুং চনবা থৌবাল ওক্রম অমদি থৌবাল ৱাংমা তাবা সোরাক মখাগী মফমশিংদা লৈবা য়ূমথোঙ ২৫ রোমদা ৱার্দ অসিগী হান্নগী ৱার্দ মেম্বর নিঙোম্থম নন্দনা ঙসি য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন সোসল সার্ভিস এন্দ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চঙবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে হায়রি।

## কম্মিসনন দি জি পিদা রিপোর্ট...

*লামায় ১গী মখা...* রাইটস এক্ট, ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মখাদা কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরদা কমপ্লেন্ট পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা পাউখুম চয়োল ৩গী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, 'কংলৈ ইমাগী' হায়বা চপ মান্নবা ৱাহে অসিনা হৌবা য়ুম্নাম পিবা কৌবা মীওই অমনা শেম্বা ফেসবুক প্রোফাইল অমদা ইম্মোরেল এক্টিভিটিশিং চথুরকপদগী মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱুমেন (এম এস সী দব্লিয়ু)না কোগনাইজেন্স লৌরে হায়দুনা কম্মিসন অসিগী চ্যেরপার্সন প্রো. বিনোতা মৈনমনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা, কম্মিসন অসিগী মায়কৈদগীসু য়ুম্নাম পিবাগী মিংদা ওপরেট তৌরিবা পেজ অসিগী এদমিনবু ফানবা দি জি পিদা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

## নাতৈ চাদবা ফোটো, ভিদিও...

*লামায় ১গী মখা...* পি সীগী সেক্সন ৩৫৪-দি (২)গী মখাদা লৌখৎপা এফ আই আর নম্বর ৯১ (৬) ২০২১নি হায়রি। পুলিসনা মঙোন্দা প্রিলিমিনরি ইন্টরোগেসন চথুরবা মতুংদা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক থা অসিগী ১৯ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুথোরকখিবনি। মহাক্কী মায়কৈদগী কাউন্সেল থোরক্তবদগী মতম খরগী ওইনা লিগেল এইদ কাউন্সেল এল রেবেদাবু এসাইন তৌখি। লোয়ননা কোর্ট অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটির এম জমুনানা তৌরকখিবা সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মহাকপু পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ৫নিগী রিমান্দ পীখিবনি।

## মোরেদা চহী ৮গী নুপীমচা...

*লামায় ১গী মখা...* উৎলক্তবশিংগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং অমা লৈঙাক্লা অকনবা মওংদা লৌখৎপা তঙাইফদে হায়রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মাংমিনলান তৌথাং (৩৩) অপোকপা হোথোং তৌথাং থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা ফাগৎখ্রে। লোয়ননা চেন্নরিবা মহাক্কী মথক্তা মোরেদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরগী মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জ কে ঐচ সান্তিকুমারনা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেইন্ট অমগী মতুংইন্না পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা মহাকপু ফাগৎখিবনি হায়রি।

## লুপা লাখ ৭৫ রোমগী ব্রাউন...

*লামায় ১গী মখা...* গ্রাম ৩৭৬ ফারে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, তেংনৌপলগী চেরোল অমনা হায়বদা, লোনা য়াদবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরে হায়বা পাউদগী মদুবু ফানবগীদমক ঙরাং নুংথিল লোইসি ভিলেজ মনাক্কী নেসনল হায়ৱে-১০২ পরিংগী মফম অমদা তেংনৌপল কম্যান্দোগী টিম অমনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিংগী থবক চখুখি। মতমদুদা মোরেমদগী ইম্ফাল তম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লাকখিবা মারুটি ইকো ভেন (দার্ক গ্রে) এম এন-০২/সী-০৩৫৪ খামদুনা চেক তৌখি। কম্যান্দো পার্টি অদুনা গাড়ী অদুবু চেকশিন্না চেক তৌবদা গাড়ী অদুগী মনুংগী বোদিগী শরুক্তা য়াওরিবা সিলিংগী মনুংদা ব্রাউন সুগর অমসুং হিরোইন পাউদর হাপ্পা সাপোন কেপ পুন্না ৩০ অদু লোৎশিন্দুনা পুরক্লম্বা থেংনখি। মসিদগী গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৮গী ঙমখাই ভেংদগী হৌজিক্লা চুরাচান্দপুরগী তুইবোং লাইজোন ভেংদা লৈরবা পাউঙম হাওকিপ (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা পাউখোলেট হাওকিপকা কোন্ননা দ্রগশিং অদু নুংথিল পুং ৫.৪০ রোম তারকপদা ফাগৎখি। লোয়ননা, দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অমসুং গাড়ী অদু য়াওনা তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা লোগী থবকশিং লৌখৎনবগীদমক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।


### ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

[illegible] / **NOTICE FOR OBJECTION**

Dated, the 15-6-2021

No. 1/prop/SR/2021(IE) : It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the SPV-Wood Based Furniture Cluster on 15/6/2021 for registration under section 4(1)(2) & Section 5 of MSR Act 1989 (Add).

In the matter, Notice for objection is circulated for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Applicant name) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./ NGO/ Orgn. may be initiated/ considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- N. Imomcha Singh
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/9933/16

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

[illegible] / **NOTICE FOR OBJECTION**

Dated, the 15-6-2021

No. 1/prop/SR/2021(IE) : It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the SPV-Pineapple Processing & Value Addition Cluster on 15/6/2021 for registration under section 4(1)(2) & Section 5 of MSR Act 1989 (Add).

In the matter, Notice for objection is circulated for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Applicant name) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./ NGO/ Orgn. may be initiated/ considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- N. Imomcha Singh
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/9935/16

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST

[illegible] / **NOTICE FOR OBJECTION**

Dated, the 15-6-2021

No. 1/prop/SR/2021(IE) : It is hereby notified for general information that an application has been received by this office from the SPV-Kauna Processing Cluster on 15/6/2021 for registration under section 4(1)(2) & Section 5 of MSR Act 1989 (Add).

In the matter, Notice for objection is circulated for information of general public/registered Assn. for submitting/ inviting objection if any in writing (Applicant name) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication. Complaints/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./ NGO/ Orgn. may be initiated/ considered/ proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- N. Imomcha Singh
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/9934/16